**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) লৈবাক শিনবা থুংনবা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি সংবিধান দিবস থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- ভারতকী সংবিধানবু অৰাংবা থাক্তা পুখৎলম্বা, সংবিধান অসিবু শেল্লম্বশিংবু হৌজিক্কি অমদি তুংগী মীরোলশিংদা অৰাং থাক্তা ইকায় খুমফম থোকই।

৩) রাজ্য অসিদা ঙসি পুন্না মীওই ৭১ টেষ্ট তৌবদা মীওই ২৩ নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনরে।

৪) মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল-২০২৫ গী ঙসি তরুকনি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ কয়া পাঙথোক্লি।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা অহানবা ওইনা উরিষা বিধান সভাগী নীংথম মীফমগী হয়েং অহৌবা নুমিৎতা ৱা ঙাংগনি।

------

সংবিধান ঃ লৈবাক অসিনা ঙসি সংবিধানগী নুমিৎ পাঙথোক্লি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লুচিংদুনা ঙসি নিউ দিল্লিগী সংবিধান সাদন সেন্ত্রেল হোলদা অমত্তা ওইবগী ৱারোল পাথোক্লদুনা সংবিধান দিবস হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- সংবিধান অসিনা লৈবাক অসিগী মশক তাকপদা নত্তনা চাউখৎ মাইকৈদা চংশিন্নবগী ঙাকলৌ ওইরিবনি। মসিদসু নত্তনা কাংলুপ নাইবা লৈঙাক্লোনগী ৱাখল্লোন অদুবু নাথৈদুনা অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন অমদি মীয়েং শাগৎপগী অচৌবা মচাক অমা ওইরি। রাষ্ট্রপতিনা মখা তানা হায়- মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারত অসি মীয়ামগী লৈঙাক অমা লিংদুনা চাওখৎ লম্বীদা চংশিল্লিবা লৈবাক অমনি। মসিমক ঐখোয়গী সংবিধানগী ফজবা মশক অদুবু উৎলিবা ময়েক লারবা খুদম অমদি।

থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লুচিংবশিংনা সংবিধানদা পীরল্লিবা মীয়ামগী হক অমদি চাওখৎপগী লম্বী কয়া অসিবু মপুং ফানা পাঙথোকবা অমত্তা ওইবগী ৱাশক লৌখি।

থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লোল ৯ দা হন্দোক্লগ্না ইথোক্লবা সংবিধানগী লাইরিকশিং রাষ্ট্রপতিনা মীয়ামদা কৎথোকখি।

ডে(এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- ভারতকী সংবিধানবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলম্বা, সংবিধান অসিবু শেল্লম্বশিংবু হৌজিক্কি অমদি তুংগী মীরোলশিংদা অৱাং থাক্তা ইকায় খুমফম থোকই।

ৱাফম অসি রাজ্যপালনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসকী পেলেস ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা সংবিধান নুমিৎকী পালন থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- সংবিধান শেল্লম্বনা মীয়ামগী হক, ইন্সটিট্যুসনশিংবু ঙাক শেনবা অমদি সমাজগী অওনবা পুরকপদা হেন্না মাংজিল থারিবনি। সংবিধানদা ইরল্লিবশিং অসি চুমগী ইচম চম্বা ৱাফম নত্তে, মসিদা ইরল্লিবশিং অসি লৈবাক মীয়ামগী ফংফম থোকপা হকশিংনি। অসিগুম্লবা মমল য়াল্লবা সংবিধান অসি ঐখোয় পুমমকা ইকায় খুমদুনা গনতন্ত্রবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনমিন্নশি হায়না রাজ্যপালনা আপীল তৌখি।

থৌরম অসিদা রাজ্যপালনা লুচিংদুনা শরুক য়ারিবা খুদিংমকা ভারত সংবিধানগী প্রিএম্বল পুন্না পামিন্নখি।

রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-এন. বিরেন, এম.এল.এশিং-করাম শ্যাম, খাশিম ভাশুম, বসন্তকুমার, আসব উদ্দিন, ইবোমচা অমদি সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

পালন থৌরম অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিং, দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরশিং, সব-দিভিজনেল হেদক্বাটরশিং অমদি স্কুলশিংদসু পাক শন্না পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা জিলা অসিদা লৈরিবা অতৈ বিভাগশিংগা পুন্না সংবিধান দিবস পাঙথোকখি।

তমেংলোং জিলাদসু জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা মিনি সেক্রেতরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি।

থৌবাল জিলাগী ওইনা দিপ্যুতি কম্মিসনার থৌবালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা সংবিধান দিবসতা ভারতকী সংবিধানদা য়াওরিবা প্রিএম্বল দিপ্যুতি কম্মিসনারনা পাথোক্তুনা পুন্না ৱাশক লৌমিন্নখি।

চান্দেল জিলাদসু পালন থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চন্দেল অমদি চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকখি।

উখ্রুল জিলাদসু সংবিধান দিবস থৌরম অসি জিলা অসিগী দি.সি. কনফরেন্স হোলদা দিপ্যুতি কম্মিসনার অসিস দাসনা লুচিংদুনা পাঙথোকখি।

ককচিং জিলাদসু ককচিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা সংবিধান দিবস দি.সি. কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

অকাশবানি ইম্ফালনসু সংবিধান দিবস থৌরমগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী দাইরেক্তর ইঞ্জিনিয়ার-নোংমাইথেম নন্দকুমারনা লুচিংদুনা পুন্না ৱাশক লৌমীন্নখি।

থৌরম অসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী লো দিপার্টমেন্টতসু পাঙথোকখি। মদুদা য়়নিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্র সিংহ শরুক য়াখি।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুর, বার কাউন্সিল ওফ মনিপুর, হায় কোর্ট বার এসোসিয়েসন মনিপুর, মনিপুর জ্‌দিসিএল একাডমী অমসুং ওল মনিপুর বার এসোসিয়েসন্নসু পুন্না শিন্দুনা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি।

বিরেন (এল)ঃ হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি এন. বিরেন সিংহনা হায়রি- মীয়ামগা পুলিসকগী মরক্তা অফবা মরী থমদুনা খুনাই অসিবু চাওখৎ লন্বীদা চংশিনমিন্নবনা হেন্না ফগনি।

ৱাফম অসি ঙসি রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা এম.এস.এফ.দি.এসতা পাঙথোকখিবা সংবিধান দিবস থৌরম য়াওবা লাকপদা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোংদোকখিবনি। শ্রী বিরেন্না হায়- পুলিসশিংনা মীয়ামদা কা হেনবা থৌওং মফম অমত্তদা উৎপা য়াদে। মীয়ামগা নুংশি চান্ননা চৎমিন্নগদবনি। মদুদতা ইং তপ্পা পুরকপা ঙমগনি।

দেঙ্গি (এল)ঃ রাজ্য অসিদা ঙসি পুন্না মীওই ৭১ টেষ্ট তৌবদা মীওই ২৩ নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমনা হায়- ঙসি রিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ২৬ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ৫ পোজিতিভ ওইখি। জেনিমসতা সেম্পল ৪৫ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৮ পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি। নৌনা পোজিতিভ ওইরবা মীওইশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী ১৩, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৮ য়াওরি।

সঙাই (এল)ঃ মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল-২০২৫ গী ঙসি নুমিৎ তরুকনি চনবা নুমিৎতা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজেবুং অমসুং বোটতা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ কয়া পাঙথোক্লি। মসিদা থৌগল জগোই, মরাম ত্রেদিসনেল দান্স, থাং-তা অমসুং রোংমৈ ত্রেদিসনেল দান্সশিং য়াওরি।

ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা অহুমশুবা মনিপুর টুরিজম কংগ্রেস ঙসি ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা হৌদোকখ্রে। মসিদা মনিপুর টুরিজমগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। মসিদসু নত্তনা আই.এ.টি.ও. অমদি এ.পি.ও.এ.আইগী মীহুৎ কাংবুশিংনা টুরিজমগী মতাংদা কান্নগদবা ৱাফম কয়াসু ফোংদোকখি অমদি মনিপুরগী ষ্টেকহোল্ডরশিংগসু ৱাফম কয়া খন্নখি। নুমিৎ হুমনি চুপা চত্থগদবা মনিপুর টুরিজম কংগ্রেস অসিগী মনুংদা ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়ম, রেড হিলস, আই.এন.এ, কৈবুল লমজাউ নেসনেল পার্ক, সেন্দ্র, লোক্তাকপাৎ, গোবিন্দজি মন্দির, কংলা ফোর্ট, ইমা কৈথেল অমদি পোলো ষ্টেচুনচিংবা মফমশিংদা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্কনি।

খুম্মন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতনা মনিপুরগী য়েলহৌ মশান্না কাং শান্নখি।

এম.এস.এফ.দি.এসতসু ঙসি ফিলম কয়া উৎখি অমদি ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দসু শুমাং কুম্মৈশিং উৎখি।

তেংনৌপল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট রাইজিং এন্দ এসিলরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স (রেম্প)কী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কমিতিনা শিন্দুনা মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্তরপ্রাইস (এম.এস.এম.ই)শিংগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি তেংনৌপল জিলাগী খাংসিম ভিলেজ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রি সেন্তর মণিপুরনা পায়খৎলকপা য়াইফ থৌরাংশিংগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা উদয়ম রেজিষ্ট্রেসন দ্রাইভসু পাঙথোকখি।

কোসেম (এল)ঃ কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিতিগী মহৈরোইশিংদা পীবা পি.এম.য়ু.এস.পি সেন্ত্রেল সেক্তর স্কিমগী এপ্লিকেসন থাজিনবগী মতম থা অসিগী ৩০ ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি।

অমরোমদা, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজ্কেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা ক্লাস এলেভেন অমদি ক্লাস তুয়েল্ব পরিক্ষাগী এপ্লিকেসন

ফোর্ম থাজিনবগী মতম ফাইন য়াওরগা দিসেম্বর ৫ ফাওবা শাংদোক্লে। অকুপ্পা মরোল কাউন্সিলগী ওফিসতগী খঙবা য়াগনি।

আইসিএআর (এল)ঃ আই.সি.এ.আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন হিল রিজন ইম্ফালনা শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চথুগদবা ওন্তরপ্রেন্যুর দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা ঙসি আই.সি.এ.আর মণিপুর সেন্তরদা হৌদোকখ্রে। থৌরম অসি লৌমীশিংবু ওন্তরপ্রেন্যুর অমগী থাক্তা পুখৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

মরু মরাং (এল)ঃ ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৌউ শিংউ অমদি হোর্তিকলচর বিভাগকা খুৎশমদুন
ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতিজ ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা নিংথম থাদা থাগদবা মরু মরাংশিং য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অসি লমদম অসিগী লৌমীশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবা অমদি চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদনবগী ৱাখল্লোনদা পাঙথোকপনি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী মরুওইবা লম্বীশিংদা ত্রাফিক সিগনেল হাপ্পীয়ু হায়না ঙসি দেমোক্রেতিক ষ্টুদেন্টস এল্লায়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে। মহৈরোই লুপ অসিনা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা মরুওইনা ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজ-থৌবাল কলেজ ক্রোসিং, থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ ক্রোসিং খাঙবোক দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল ক্রোসিং, ৱাংজিং-হৈরোক ক্রোসিং, য়াইরিপোক বজার ক্রোসিং অমসুং খোংজোম বজার-লাংঙথেল ক্রোসিংদা ত্রাফিক সিগনেলশিং থম্বা য়াওরি।

মনকিবাটঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৮ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ৩০ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপ্রদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা অহানবা ওইনা উরিষা বিধান সভাগী নীংথম মীফমগী হয়েং অহৌবা নুমিৎতা ৱা ঙাংগনি।

উরিষা বিধান সভা মীফমদা রাষ্ট্রপতিনা ৱা ঙাংগদৌরিবা অসি য়ামা ঐতিহাসিক ওইবা অমনি। মহাক্কী রাজনীতিগী খোঙচৎ অসি উরিষা বিধান সভাদগী হৌরকখিবনি। লোয়ননা বিধান সভা অসিদা লৈবাক অসিগী রাষ্ট্রপতিনা ৱা ঙাংবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইগদৌরিবনি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী খোঙচৎ অসিগীদমক সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা শেম শাবা পুমমক লোইরে।

কেবিনেট ঃ কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা লৈবাক অসিদা সিন্টর্দ রেয়র আর্থ পার্মেনেন্ট মেগনেট পুথোকপদা হেন্না পুকিং থৌগৎপা অনৌবা থৌরাং অমা পায়খৎপদা অয়াবা পীখ্রে। থৌরাং অসি পুন্না লুপা কোতি লিশিং ৭,২৮০ চংনা পায়খৎকদবনি। লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা হৌদোক্লিবা থৌরাং অসিনা চহি অমদা ইন্তিগ্রেতেদ রেয়র আর্থ পার্মেনেন্ট মেগনেট মেত্রিক টন লিশিং ৬ পুথোকবা পান্দম থল্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণবনা হায়- সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিদা ইলেক্ট্রিক্ট ভেহিকল, ইলেক্ট্রোনিক্স, এরো স্পেস অমসুং দিফেন্সকী মচাকশিং শাবদা অচৌবা কান্নবা পীরগনি। থৌরাং অসি অহানবা ওইনা পুনে মেত্রো রেল

প্রোজেক্ট ফেজ টুদা পায়খৎপা হৌনবা অয়াবসু মীফম অদুনা পীখ্রে। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি চাউরাকা লুপা কোতি লিশিং ৯,৮৫৭ চংনা পায়খৎকদবনি।

মোদিঃ হায়দ্রবাদতা লৈবা জি.এম.আর. এরো স্পেস এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল পার্কতা নৌনা শেমগৎপা সাফ্রান ইয়ারক্রাফট ইঞ্জিন সাভির্সেস ইন্দিয়া, প্রধান মন্ত্রি- নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শঙ্গাখ্রে।

ঙসি শঙ্গারিবা ফেসিলিতি অসিদা এরোপ্লেনগা মরী লৈননা নৌনা শেমজিন শাজিনবগী থবক্তা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। মসি গ্লোবেল ইঞ্জিন ওরিজনেল ইক্যুপমেন্ট মেন্যুফেকচররনা ভারত্তা ইহান হান্না লিংখৎপা ফেসিলিতিনি। ফেসিলিতি অসিনা ভারতকী এভিয়েসন সেক্তরবু মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবগী খোঙজংদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

ৱাশক ঃ জম্মু কাশ্মীরগী নৌনা খল্লবা রাজ্য সভাগী সদস্যশিং দিসেম্বর ১ দগী হৌগদৌরিবা সংসদকী নীংথম মীফমগী অহৌবা নুমিৎতা ৱাশক লৌরগনি। নৌনা ৱাশক লৌগদৌরিবা সদস্যশিং অদুদি- সামি ওবেরোই, সাজত অহামদ কিটসলু অমসুং চৌধরি মোহামদ রামজাননি। উপ-রাষ্ট্রপতি অমসুং রাজ্য সভাগী চেয়ারমেন সি.পি. রাধাকৃষ্ণন্না সদস্যশিং অদুবু অরোনবা ঙাকপা অমসুং থবক পায়বগী ৱাশক লৌগনি।

পনবা য়াবদি, হন্দক রাজ্য সভাগী সদস্যশিং ওইনা ৱাশক লৌগদৌরিবা অসি জম্মু কাশ্মীরগী ওইনদি চহি ৫ রোম রাজ্য সভাগী মীহুৎ লৈরুদ্রবা তুংদনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

পোলো ঃ ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুদা চখরিবা ১৫ শুবা মণিপুর পোলো ইন্তরনেসনেলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়া পোলো টিম-বি মণিপুরনা

কলম্বিয়াবু পাঞ্জল ১০-৩ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ইন্দিয়া পোলো টিম-এনা ইন্দিয়া পোলো টিম-সি ছত্তিসগরবু পাঞ্জল ৮-৪ দা থোইখি।

শগোল কাংজৈ (এল)ঃ ওল মনিপুর পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা কংলা মনুং কাংজৈবুংদা চথরিবা শগোল কাংজৈ কপ-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা চীংখৈ হুনবা পোলো ক্লবনা এ.আর পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ২০-৫ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা- এক্স পোলো ক্লবনা লুৱাংপোকপা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১২-৬ তা অদুগা তেন্থা পোলো ক্লবনা কে এন্দ এম.এম.আর.এসপু পাঞ্জল ১০-৫ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ বি.সি.সি.আইগী মীৎয়েং মখাদা পুনেগী দেক্কান জিমখানা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চথরিবা সায়দ মুস্তাক আলি ত্রোফি প্লেট টি-ত্বেন্তি ক্রিকেটতা মণিপুরনা অরুনাচল প্রদেশপু রন ৯০ দা থোইখ্রে। ঙসিদগী হৌখিবা তুরনামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৩৮ না শরুক য়ারি।

ক্রিকেট (এল)ঃ ২২ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা এল.সি.সি. লমশাংনা এস.এন.সি শঙাইপ্রৌবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে। মেটচ অসিদা এল.সি.সি. লমশাংগী দেবিটনা ৱিকেট অহুম লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন মীৎয়েং মখাদা লেবেল ফাইভ নেসনেল অপগ্রেদেসন একজাম মথং চহি ২০২৬ কী মার্চ থাদা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টিটি (এল)ঃ রোমানিয়াদা পাঙথোকপা আই.টি.টি.এফ ৱার্ল্ড য়ুথ চেম্পিয়নসিপতা ভারতকী টেবল টেন্নিস শান্নরোইশিংনা লুপাগী অমদি শেঞ্জেংগী তকমান লৌরকখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা নুপীমচাগী চহি ১৫ মখাগী কাংলুপ্তা ভারতনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌখি। অদুগা নুপামচাগী চহি ১৯ মখাগী কাংলুপ্তুনা ভারতনা জপানগী মখুৎতা মায়থিবা নংদুনা লুপাগী তকমান লৌখি।

------